# ইরাক্কী ফোর্সশিংনা অচৌবা এটেক চখনবা শেম শাখ্রে

বাঘদাদ, মে ৩০ (এজেন্সী) :

ইরাক অমসুং য়ুল্লোন্নবা সিরিয়া অনীমক্তা জিহাদিষ্টশিংনা কাউন্টর এটেকশিং চখিবগা ঈরোয়ননা ইরাক্কী এলিট ক্রুপশিংনা ঙসি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী খ্বাইদগী মরুওইবা ষ্ট্রোংহোল্ডশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরিবা ফালুজাদা এটেক তৌনবা শেম-শাখ্রে।

ইরাক্কী ফোর্সশিংনা ফালুজা লৌশিন্নবা লাল হৌরকখিবনা মরম ওইদুনা অনৌবা মীচম লিশিং কয়া সিটি অদুদগী চেন্থোকহনখ্রে। লানফমদা চেন্নদুনা থোকপা ঙমদবা মীওই লিশিং কয়াসু য়াওরে হায়রি।

ফালুজা ওপরেসনগী কম্মান্দর অব্দেলৱাহাব অলসাদিনা হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা হায়খি মদুদি, কাউন্টর টেররিজম সার্ভিসতা সিটি অদুদা চঙগদবা শুপ্পগী পুং খরদা ঙাইরে। চয়োল অমা চুপ্পা চখুরকখিবা ওপরেসনদু হৌজিক ফাওবদা ফালুজাগী অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অমসুং রুরেল এরিয়াশিংবু নৌনা লৌশিনবদা মীৎয়েং থল্লকখি। ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিংগী মরুওইবা ষ্ট্রোংহোল্ড অমা ওইরিবা ফালুজা সিটি অসি বাঘদাদকী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৫০ রোমদমক চঙশিল্লগা লৈবনি।

‘ঐহাক্না পুংশিং কক্না হায়ররোই তৌইগুম্বসুং ফালুজাগী এটেক অদু য়াম্না থুনা পাঙথোক্লগনি’ হায়না হাশেদ অল সাদি পেরামিলিটরি ফোর্সতা সিনিয়র কম্মান্দর অমা ওইরিবা হাদি অল-অমেরিনা ইরাক্কী টেলিভিজনদা হায়খি।

কাউন্টর টেররিজম সার্ভিস (সি টি এস) না এটেক অদুদা চাউনা শরুক য়াবা হায়বসিনা সিটি অদুদা অর্বান কম্বেটকী অনৌবা তাঙ্কক অমা হৌহল্লগনি। কুমজা ২০০৪ দা সিটি অদুদা য়ু এস ফোর্সশিংনা ভিয়েটনামগী লাল মতুংদা মখোয়গী খ্বাইদগী কনবা লালশিংগী মনুংদা খরদি শোক্লখি।

নোরদর্ন ইরাক্তা লৈবা মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ড মোসুলগী নোংপোক-লোমদগীসু জিহাদিষ্টশিংবু কর্দিশ ফাইটরশিংনা প্রেসর পীখি। লোয়ননা সিরিয়াদা লৈরিবা য়ু এসনা শৌগৎপা কর্দিশশিংনা লুচিংবা ফাইটরশিংনসু মখোয়দা প্রেসর পীখি।

ঙরাং ইরাক্কী ওটোনোমস কর্দিশ রিজনদা কেপিটেল অর্বিল অমসুং মোসুলগী মরক্তা লৈবা লম্বী অমদা তাবা এরিয়া অমা নৌনা লৌশিন্নবগীদমক্তা পেশমের্গা ফাইটর ৫,৫০০ না শরুক য়াদুনা নোংঙাল্লমদাইদা লাল লাউথোকখি।

‘মসি মোসুল অমসুং মসিগী অকোয়বদা আই এম আই এলদা প্রেসর পীবা হেনগৎনবা পাঙথোকপা ওপরেসন কয়াগী মনুংদা অমনি। মসিনা শেম শাবা ওইরগা সিটি অদুদা অচৌবা এটেক অমা পাঙথোক্কদৌরিবনি’ হায়না কর্দিষ্টান রিজন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ওপরেসন অদু হৌখিবা পুং ১০ গী মনুংদা কর্দিশ ফোর্সশিংনা খুঙ্গং অহুম মপুং ফানা লৌশিনখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। এরিয়া অদুদা কোলিসন্না এয়রষ্ট্রাইক ১২ চখিবা মতুং নোংমা লৈরগা এটেক অদু পাঙথোকখিবনি।

সিরিয়াদা অরাব ফাইটরশিংগা মীচঙ ওইনবা অমসুং লৈমায়দা অমসুং নোংথক্তা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না বেকিং পীবা অরাব ফাইটরশিংগা মীচঙ ওইনবা পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিটস (ৱাই পি জি) গী কর্দিশ রেবেলশিংনা আই এসকী দিফেক্টো সিরিয়ন কেপিটেল রাকাসু টার্গেট তৌখি। আই এসকী মায়কৈদগীসু লৈবাক অনীমক্তা কাউন্টর এটেকশিং চখুরকখি। মখোয়না সিরিয়ন অমসুং ইরাক্কী টাউন হীটতা নন-জিহাদিষ্ট রেবেলশিংদা এটেক তৌখি। টাউন অদু হৌখিবা থাদা ইরাক্কী লান্মীশিংনা আই এসকী মখুৎতগী নৌনা লৌশিনখিবনি।

‘হীটকী মফম কয়াদা টেররিষ্টশিংনা এটেক অমা পাঙথোক্লবা হোৎন-রকপদা মায় পাকহনখিদ্র। হৌজিক এরিয়া অপূম্বা কন্ট্রোল তৌদুনা থল্লে’ হায়না জোইন্ট ওপরেসন্স কম্মান্দনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

এটেক অদুদা কোলিসনগী এয়রক্রাফ্‌টনা আই এসকী ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌখি অমসুং জিহাদিষ্টশিংগী মফম কয়াসু তেক্ত-কায়দনা লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

‘ফালুজা মনুংদা লৈরিবা মখোয়গী ফাইটরশিংদা পীবা প্রেসর কোমথোক্লবগীদমক্তা দৈইশনা হীটতা এটেক তৌখিবনি। মরুওইনা সি টি এস থুংবগী পাউ তাবদগী মখোয়না হীটতা এটেক তৌখিবনি’ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

বাঘদাদকী অৱাং নোংপোকলোমদা ঙরাং সুইসাইদ বোম্বর অমনা মোকদাদিয়াহদা লৈবা কেফে অমদা মশা মথন্তা পোকখায়জদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ হাৎখি অমসুং মীওই ২২ অশোক অপন নংহনখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। এটেক অদু আই এসনা ক্লেম তৌখি।

আই এসনা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতগী অলেপ্পো প্রোভিন্সতা কাউন্টর এটেক হৌখিঙৈদগী য়ামদ্রবদা মীচম ২৯ শিখ্রে হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি।



## ‘মিনিট ৫ দা দিল্লি টার্গেট তৌবা ঙম্মী’

ইস্লামাবাদ, মে ৩০ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী মপা ডা. অব্দুল কদীর খাননা হৌখিবা থাজদা হায়খ্রে মদুদি লৈবাক অদু য়াম্না ঙন্না কুমজা ১৯৮৪ ফাওবগী মনুংদা ন্যুক্লিয়র পৱার পায়বা লৈবাক অমা ওইরম্বা য়াবনি তৌইগুম্বসুং মতমদুগী প্রসিদেন্ট জেনরেল জিয়া উল হকনা খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা লৈবদগী তোকখিবনি।

পাকিস্তানগী অহানবা ন্যুক্লিয়র পাঙথোকখিবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমদা তীনখিবা মীয়ামদা ডা. অব্দুল কদীর খাননা ৱা ঙাঙখিবনি। পাকিস্তানগী অহানবা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অদু কুমজা ১৯৯৮ দা মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখি।

‘ঐখোয়না চাংয়েং ঙন্না পাঙথোকপা ঙল্লম্মী অমসুং কুমজা ১৯৮৪ দা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোক্ল বগী থৌরাং অমা ঐখোয়দা লৈরম্মী। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট জিয়া উল হকনা খোঙথাং অদুবু ওপোজ তৌখি’ হায়না খাননা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, কুমজা ১৯৭৯ দগী ১৯৮৮ ফাওবা পাকিস্তানবু লৈঙাকখিবা জেনরেল জিয়ানা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং পাঙথোকপা য়াখিদে, মদুগী মরমদি চাংয়েংদু পাঙথোক্লুবা তারবদি মালেম পুম্বনা লৈবাক অদুবু মিলিটরি পাঙ্গল শীজিন্নদুনা খুৎ থারক্কনি হায়না মহাক্না থাজরম্মী। রাৱালপিন্দিগী মনাক্তা লৈবা কাহুটাদগী পাকিস্তান্না মিনিট মঙাগী মনুংদা দিল্লিদা টার্গেট তৌবা ঙম্মী হায়নসু খাননা ফোঙদোকখি।

মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই শন্দোক্লবা হোৎনবগী রেস্পোন্সি-বিলিটি য়াহল্লদুনা খানবু কুমজা ২০০৪ দা মফম লৌথোকখি অমসুং সেমি হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি।

## আই এসকা খুৎ থোক্লবদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা ১ সিরিয়াদা শিরে



কানবেরা, মে ৩০ (এজেন্সী):

সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস)কী মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্লবদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা অমা শিরে হায়রি। কার্দিশ মিলিটরি য়ুনিটশিংনা সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, মশাগী চহী ৪৫ শুরবা হান্নগী ওষ্ট্রেলিয়ন ফিফেন্স ফোর্স (এ দি এফ)কী লান্মী জেমি ব্রাইট হৌখিবা চয়োলদা নোরদর্ন রাকাগী খুঙ্গং অমদা শিখ্রে হায়না এ বি সি ওষ্ট্রেলিয়াগী রিপোর্টনা হায়রি।

অদুম ওইনমক ব্রাইটনা শিখিবগী পাউ অসি ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌবা চঙলি। মহাক হন্দক্তা ওনলাইন ভিদিওশিংদা উনবা লৈখ্রে হায়রি। ‘ঐহাক্না কর্দিষ্টানদা লাকখিবগী মরমদি লমদম অসিগী মীশিং, মখোয়গী খোঙজং অমসুং মখোয়গী লালনি’ হায়না ব্রাইটনা ভিদিওশিংদুগী মনুংদগী অমদা ফোঙদোকখি।

‘ঐহাক লমদম অসিগী মীশিংবু ঐহাক্না ঙম্বা মওং অমদা হেক্তা মতেং পাংনবগীদমক্তা মফমসিদা লাক-খিবনি’। ওফিসলশিংগী মতুংইন্না, পর্থতা আর্মি ইঞ্জিনিয়ার অমা ওইনা থবক তৌদ্রিগৈ মমাঙ কুমজা ১৯৮০ গী মতুং চহী খরদুদা মহাক সিদনিদা লৈবা স্কুল ওফ মিলিটরি ইঞ্জিনিয়ারিংদা ট্রেনিং তৌবা এ দি এফকী মেম্বর অমা ওইখি।

হৌখিবা চহীগী অঙনবা শরুক্তা ব্রাইটনা ৱাই পি জিদা য়াওখি অমসুং ফেলো ওষ্ট্রেলিয়ন অশলি জোনষ্টনগা খঙনরকখি। অশলি জোনষ্টন কুমজা ২০১৫ দা ওষ্ট্রেলিয়াদা আই এস মিলিটেন্টশিংনা হাৎখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

ক্বিন্সলেন্দদগী হৌখিবা হান্নগী আর্মি রিজাভিষ্ট রঅমা ওইরিবা জোনষ্টন টেল হমিসকী মনাক্তা লৈবা আই এসকী পোজিসন অমদা কর্দিশ ফোর্সশিংনা এটেক অমা চখুবদা শিখিবনি। টেল হমিস হায়রিবা মফম অদু লালদা য়াম্না মরুওইবা মফম অমনি হায়না লৌনৈ।

## জোর্দানদা অনৌবা ক্যেরটেকর প্রাইম মিনিষ্টর ১ হাপখ্রে

অম্মান, মে ৩০ (এজেন্সী):

পার্লিয়ামেন্টকী চহী মরিগী টার্ম লোইশিনবগী মতম নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা জোর্দানগী নিংথৌ অব্দুলানা ভেটরান পোলিটিসিয়ন হানি মুলকিবু ঙরাং ক্যেরটেকর প্রাইম মিনিষ্টর হাপখ্রে অমসুং মঙোন্দা ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদা অনৌবা মীখল পাঙথোক্লবা শিন-লাংনবগী থবক শিন্নখ্রে। টার্ম লোইশিল্লক্লবা পার্লিয়ামেন্ট মুখুৎলবা মতুংদা নিংথৌ অব্দুলানা ক্যেরটেকর প্রাইম মিনিষ্টর অমা হাপখিবনি।

রোয়েল ওর্দর অমনা মুলকিবু ক্যেরটেকর প্রাইম মিনিষ্টর হাপত্রিঙৈগী মমাঙদা নিংথৌনা প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুলা ইনসৌরগী ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখি। থংন-থংননা লাকখিবা এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা মুলকিনা গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র পোষ্ট কয়ামরুম পায়খ্রে।

জোর্দানগী কনষ্টিট্যুসনগী রুলশিংগী মখাদা থা মরিগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্টকী মীখল পাঙথোক্কদবনি। জোর্দানগী মীখলদা ভোট থাদনবগী মওংদি মহৌশানা ত্রাইবেলগী চৎন-পথাপশিংগী মতুংইন্না অমসুং ইমুং মনুংগী য়ানবগী মখা পোল্লি। তৌইগুম্বসুং পার্লিয়ামেন্টনা হৌখিবা মার্চতা ইলেক্টরেল লোশিং শেমদোক্লুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী কেন্দিদেট মশিং হেন্না থোকহল্লক্লুবা হোৎনখি।



এনালিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি, মমাঙগী পার্লিয়ামেন্টতা মশিং য়াম্না য়ামখিবা ত্রাইবেল লোমেকরশিংনা মখোয়গী ঈথিলদা শোকহনগদবা অহোংবা কয়া থিংনবা হোৎনখি। ষ্টেটনা য়েংশিনবীবদগী মশিং য়ামদনা তারিবা ত্রাইবেল এরিয়াশিংবু সিষ্টেম অমা শেমদুনা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্দুনা লাকখিবনি।

জোর্দানগী মরুওইবা পোলিটিকেল ওপোজিসনদি মুস্লিম ব্রদরহুদ মুভমেন্টতগী লাকই, তৌইগুম্বসুং মুভমেন্ট অসিগী থবক থৌরমশিংদা লিগেলগী ওইবা অথিংবা কয়া থল্লকপা উখি। মসিনা মরম ওইদুনা অয়াম্বনা প্রো-মোনার্কি পার্টিশিং অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ইস্লামিষ্টশিং অমসুং পোলিটিসিয়নশিংনা মীখলশিং অসিদা লম্বা তৌনগদৌরি হায়না এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

জোর্দানগী ব্রদরহুদনা লৈবাক অদুদা পোলিটিকেলগী ওইবা অহোংবা কয়া পুরকপা পাম্মী। তশেংনমক হায়রবদা মখোয়না জোর্দানদা মোনার্কি ফাওবা চিংথুবা পাম্লমগনি হায়না থাজনৈ। ব্রদরহুদ অসিগী জোর্দানদা লৈবা পোলিটিকেল মশা অমা ওইরিবা ইস্লামিক এক্সন ফ্রন্টতা পালেষ্টিনিয়ন ওরিজিন ওইবা মথ্বায় পেন্নদ্রবা জোর্দানিয়ন কয়া য়াওরি। মখোয়না মীওই মিলিয়ন তরেৎকী মনুংদা মশিং হেনবগা লোয়ননা মখোয় অয়াম্বা অর্বান এরিয়াশিংদা লৈ।

ওথোরিটিশিংনা ব্রদরহুদ অদুগী ওফিস কয়া থিংজিনখিবদগী অমসুং মচেৎ তারকখিবা গ্রুপপু মরুওইবা মুভমেন্ট অদুদা শিংননবা পূক্লিং থৌগৎপনচিংবা তৌবদগী দিকেদ কয়া জোর্দানদা লোনা য়াবা মওংদা ওপরেট তৌদুনা লাকখিবা ব্রদরহুদ অদু মীখলদা শরুক য়াবদা লুনা থোকপা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

নোংচুপলোমগী দিপ্লোমেটশিং অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট পোলিটিসিয়নশিংনা হায়রি মদুদি, অরবান এরিয়াশিংদা গ্রাসরুটস সপোর্টশিং লৈবা গ্রুপ অদুনা মীখলদা শরুক য়াদবা হায়বসি মীখলদুগী লিজিটিমেসি শোকহল্লকপা য়াই।

## চহী য়াম্লবী চাইনিজ নুপীশিং আই ভি এফকী খুথাংদা মীরোন্নবা হোৎননরে



বৈজিং, মে ৩০ (এজেন্সী):

চাইনানা য়ুম্বাল্লবা মতৈ-মনাও খুদিংমক্তা অঙাং অনী শুহনবা য়ারগনি হায়না লাউথোকখিবদগী চহী য়ামশিল্লক্লবা নুপীশিংগী মরক্তা ফর্টিলিটি ত্রিটমেন্টকী দিমান্দ হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী ক্লিনিকশিংদা অচৌবা প্রেসর পীরে, ঈকায়বগী ৱাফম ফাওবা য়াওনা ইস্যু অদুগী মতাংদা মমাঙদা লুনা অমসুং হঙ্গোইনা খন্নরম্বা কয়া থুগাইনরে হায়রি।

লৈবাক অদুদা ইন-ভিত্রো ফর্টিলাইজেসনগী দিমান্দ হেনগৎলকপনা মমা-মপা ওইবা চাইনিজ কয়ানা মতম শাংনা অনীশুবা মচা অমগী মং মংখিবদু মখোয়গী ৱাখলদা অমুক হন্না লাকপগুম উহল্লি। গভর্ণমেন্টনা চহী ৩০ হেন্না থল্লকখিবা অকনবা পোপুলেসন কন্ট্রোলগী পোলিসী অমনা অনীশুবা মচা অমা পামখিবা টাইনিজ মমা-মপাশিংগী মংলান অরেম্বা তাহনখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা অঙাং অনী শুনবগী অয়াবা পীখিবদগী চাইনাদা ফর্টিলিটি ত্রিটমেন্টকী দিমান্দ হেনগৎলকখিবা অসিনা হান্নদি মখোয়গী মমা-মপাশিং নৎত্রগা মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংদা ফাওবা অঙাং মীরোনবা ঙমদবগী মরমদা হায়দোকপদা ঈকায়নবা অমা লৈরম্বদু মাঙখিবগুম তৌরে হায়রি।

‘নুপী কয়ানা মফম অসিদা লাক্তুনা মখোয়গী অনীশুবা মচা ফংনিংবগী ৱাফম ফোঙদোক্লরে’ হায়না বৈজিংদা অঙাং ওইবা ঙমদবশিংবু ত্রিটমেন্ট পীবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমগী ডোক্তর লিয়ু জিয়েননা হায়খি। ডোক্তর জিয়েননা আই ভি এফকী খুথাংদা অঙাং ওইবা ঙমদবগী কেসশিংবু লায়েং চৎখে। আই ভি এফকী টেক্নিক অদুদা লেবোরেটরি দিশ অমদা নুপীগী এগ অমনা স্পার্মগা কম্বাইন্দ তৌই অমসুং মদুদগী থোক্লক্লিবা এম্ব্রীয়ো অদু নুপী অমগী অঙাংখাওদা ট্রান্সফর তৌশিল্লি।

চহী অসিগী অহৌবা শরুক্তগী গভর্ণমেন্টকী পোলিসী খরা কোমথোকপা হৌখিঙৈদগী আই ভি এফকীদমক্তা মহাক্কী মনাক্তা লাকখিবা নুপীশিংগী মশিং চাদা ২০ হেনগৎখি হ য়না লিয়ুনা পাখি। হান্নদি মহাক্কী হোস্পিটাল অদুদা লাকপা পেসেন্টশিংগী চাংচৎকী চহী লেঙ্গা চহী ৩৫ রোমগী ওইরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মখোয় অয়াম্বা চহী ৪০ দগী হেল্লে অমসুং নুপী খরদি চহী ৫০ নকশিল্লক্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

‘মখোয় মীরোনবা য়াবগী চান্স য়াম্ন া নেম্মী’ মরম অদুনা মখোয় য়াম্না থুবা ফীভম অমদা লাক্লে। মখোয় তশেংনমক য়ারিবমখৈ থুনা অঙাং অমা ফংবা পাম্মী হায়না ডা. লিয়ুনা হায়খি।

হৌখিবা চহী ২০ মুক অসিদা চাইনাদা আই ভি এফ টেক্নোলোজি য়াম্না থুনা চাউখৎলকখি। লৈবাক অসিদা য়ুম্বাল্লবা মতৈ-মনাও চাদা ১০ রোমদি মীরোন্নবগীদমক্তা আই ভি এফকী প্রসিজর তঙাইফদে হায়না পানরি। কুমজা ২০১৪ দা চাইনাদা নুপী ৭,০০,০০০ আই ভি এপ ত্রিটমেন্টশিং চখুখি হায়না হেল্‌ঠ কম্মিসনগী ৱিমিন্স এন্দ চিলদ্রেন্স দিপার্টমেন্টনা হায়রি।




HL-B/3061/18/04-17/05

# EMPLOYMENT NEWS

## JOIN INDIAN ARMY RECRUITMENT 2016 – 36TH 10+2 TECHNICAL ENTRY SCHEME (TES) COURSE (90 VACANCIES) – LAST DATE 30 JUNE

### JOIN INDIAN ARMY RECRUITMENT – 124TH TECHNICAL GRADUATE COURSE (TGC-124) (40 VACANCIES) – LAST DATE 08 JUNE 2016

Indian Army invites Application from Male candidates for Grant of Permanent Commission in 124th Technical Graduate Course (TGC-124) in 40 Vacancies. Course commencing in JAN 2017 at Indian Military Academy (IMA), Dehradun, Uttarakhand. Apply Online before 08 June 2016.

**Job Location :** All India

**Job Details For Indian Army :**

**Post Name :** 124th Technical Graduate Course (TGC-124)

**No. of Vacancies :** 40 Posts

**Pay Scale :** Rs. 15600-39100/-

**Grade Pay :** Rs. 5400/-

**Discipline wise Vacancies :**

**Civil :** 11 Posts

Mechanical

**Electrical/Electrical & Electronics :** 04 Posts

**Computer Sc & Engg/Computer Technology/Info Tech/M .Sc (Computer Sc) :** 05 Posts

**Electronics & Telecommunication/ Telecommunication/Electronics & Communication/ Satellite Communication :** 06 Posts

**Electronics :** 02 Posts

**Metallurgical :** 02 Posts

**Electronics & Instrumentation/Instrumentation :** 02 Posts

**Micro Electronics & Microwave :** 02 Posts

**Eligible Criteria to join Indian army :**

**Educational Qualification :** Candidates should have passed Engineering Degree or be in the final year of Engineering Degree course. The candidates in the final year of Degree Course should complete all their examinations related to the degree, prior to 01 Jan 2017.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** 20 to 27 years As on 01.01.2017

**Selection Process :** Candidates will be selected based on shortlisted & Interview.

**How to Apply Indian Army Vacancy:** Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 09.05.2016 to 08.06.2016.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date For Submission Of Online Application :** 09.05.2016

**Last Date For Submission Of Online Application :** 08.06.2016

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :** http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_10_1617b.pdf

**Apply Online :** http://joinindianarmy.nic.in/alpha/index.htm

### JOIN INDIAN ARMY RECRUITMENT – ARMY EDUCATION CORPS (10 VACANCY) – LAST DATE 08 JUNE 2016

Indian Army invites Application from Male candidates for Grant of Permanent Commission in the Army Education Corps in 10 Vacancies. Course commencing in JAN 2017 at Indian Military Academy (IMA), Dehradun, Uttarakhand. Apply Online before 08 June 2016.

**Job Location :** All India

**Job Details For Indian Army :**

**Post Name :** Army Education Corps

**No. of Vacancies :** 10 Posts

**Pay Scale :** Rs. 15600-39100/-

**Grade Pay :** Rs. 5400/-

**Stream wise Vacancies :**

**MA in English /Economics/History/ Geography/ Pol.Science/Philosophy/Psychology/ Sociology/Public Admin istration / Statistics / International Relation/International Studies :** 05 Posts

**M.S c in Physics/Chemistry/Maths/Botany/ Geology/ Nano Science/Electronics/M Com/ MCA :** 03 Posts

**Foreign language ( MA in Chinese/Tibetan/ Burmese/ Pushto/Dari & Arabic) :** 02 Posts

**Eligible Criteria to join Indian army :**

**Educational Qualification :** Candidates who have passed Post Graduate Degree in the following subjects with 1st or 2nd Division.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** 23 to 27 years As on 01.01.2016

**Selection Process :** Candidates will be selected based on shortlisted & Interview.

**How to Apply Indian Army Vacancy:** Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 09.05.2016 to 07.06.2016.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date For Submission Of Online Application :** 09.05.2016

**Last Date For Submission Of Online Application :** 07.06.2016

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :** http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_9_1617b.pdf

**Apply Online :** http://joinindianarmy.nic.in/alpha/index.htm